

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 14, 2018 PAGE 7



*রুশিয়া ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা স্পেন টিমগী নৌনা কোচ ওইনা খনখ্রবা মশাগী চহী ৫০ শুরবা ফর্নান্দো হিএরো*

*হেদস্কাল্ফ রুলনা মরম ওইরগা ইরান চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিদ্রবী মমাঙগী ৱার্ল্ড জুনিয়র গার্লস চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর সোমিয়া স্বামিনাথন*

## স্পেন সেরিজগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্বু য়ুম্বু লৈবাক অদুনা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ, জুন ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না চৎলিবা য়ুরোপকী টুরগী মনুং চন্না স্পেনগা শান্নগদবা মেটচ ৫ গী সেরিজগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু টিম স্পেননা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্বু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং স্পেননা শান্নখিবা মেটচ ৫ গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদু হৌরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই বর্টা বোনাষ্ট্রেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।



*ইন্দিয়া অমসুং স্পেননা শান্নখিবা হোক্কিগী মেটচ অমদা স্পেনগী শান্নরোই অমনা বোল ইনশিন্নবা হোৎনবা*

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা স্পেনগী মায়োক্তা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেপ্টেন রানি রামপালনা স্পেনগী গোল তম্না য়ৈশিনখিবা বোল অমা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবদগী ইক্কেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অমরোমদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা স্পেনগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা হাল্ফ অদু স্পেননা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনরকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ১৫ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লোলা রিএরানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা লোলা রিএরানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্বু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৮ লোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি স্পেনগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী স্পেননা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। টিম অনী অসিগী অনীশুবা মেটচ হয়েং শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেস্বারননা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*ষ্টুটগার্ট, জুন ১৩ঃ*

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা চথরিবা য়ুরো ৬৫৬,০১৫ গী শেলগী মনা লৈবা মার্সিদিজ কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেস্বারননা কানাদাগী দিনেস সাপোভালোভপু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।



ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেস্বারননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী প্রজনেসনা কানাদাগী সাপোভালোভপু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৮–৬) তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। সেট অমা শোথরবা কানাদাগী সাপোভালোভনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ইন্দিয়াগী প্রজনেসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেস্বারননা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৬–২, ৬–২ দা থোইরম্বা আর্জেন্টিনাগী জুইদো পেলাগা লন্বা তৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোভিনাগী শান্নরোই এম বেসিকপু ৭–৬(১০–৮), ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী ফুকসোভিসকা লন্বা তৌনরগনি।

জর্মনিগী শান্নরোই এম মার্টেররনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী ভি গালোভিসপু ৩–৬, ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসকা শান্নরগনি।

৮শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী ভিক্তর ট্রোইকিবু অহানবা সেট ৬–১ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নদ্রিঙৈ ট্রোইকি মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা লন্বা তৌনরগনি।

মার্সিদিজ কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী শান্নরোই আর মোল্লেকরনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোই জেএল ষ্ট্রুফপু ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিগা লন্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোইট পাইরেনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী টাইলর ফ্রিটজবু ৬–৭(৪–৭), ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসকা লন্বা তৌনরগনি।

## ন্যু জিলেন্দগী অমেলিয়া কেরনা নুপীগী বেটসৱুমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না ওদিআইগী রন লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখ্রে

*দব্লিন জুন ১৩ঃ*

ন্যু জিলেন্দ অমসুং আয়রলেন্দনা শান্নরিবা ৱান দে সেরিজগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা মেটচতা ন্যু জিলেন্দনা আয়রলেন্দবু রন ৩০৫ দা মায়থিবা পীবদা আওট ওইদনা রন ২৩২ লৌবা ঙমখিবী বেটসৱুমেন অমেলিয়া কেরনা ওদিআইগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বী শান্নরোই ওইখ্রে।



মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌবদা ওভর ৫০ দা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক তুরগা রন ৪৪০ লৌবা ঙমখি। অয়রলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ৪৪১ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৪৪শুবা ওভরদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইদুনা শুপ্নগী রন ১৪৪ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা রন ৩০৫ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীখি।

ন্যু জিলেন্দগী বেটসৱুমেনশিং অদুগী মনুংদা ওপনর ওইখিবী অমেলিয়া কেরনা বোল ১৪৫ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২৩২ লৌবা ঙমদুনা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেটসৱুমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বী শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

অনীশুবা পোজিসন অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেলিন্দা ক্লার্কনা রন ২২৯ লৌদুনা ওইখিবনি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন দিপ্তি শর্ম্মগী রন ১৮৮ না ওইখি।

## রুশিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা অহানবা মেটচ শান্নদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল ঙসি হৌদোক্লগনি

*মোস্কো, জুন ১৩ঃ*

রুশিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা অহানবা মেটচ শান্নদুনা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল হয়েং হৌদোক্লগনি।




হয়েং লন্বা তৌনগদৌরিবা রুশিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা গ্রূপ 'এ' দা ইজিপ্ত অমসুং উরুগ্বেগা লোয়ননা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌননবগীদমক লন্বা তৌনগদৌরি।

রুশিয়াগী টিম অসি হৌজিক হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ৭০শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা সাউদি অরাবিয়ানা ফিফা রেঙ্কিংদা ৬৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা কুমজা ১৯৯৪, ২০০২ অমসুং ২০১৪ দা অহুম্লক শরুক য়াখিবদা অহুমক্তা গ্রূপ ষ্টেজগী অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌবনি। হন্দক য়ুম্বু ওইদুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মরিরকশুবা ৱার্ল্ড কপ ওইরি।

রুশিয়াগী টিম মমাঙদা ৱার্ল্ড কপকী মেটচ ৫ থংন–থংননা মায়থিদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা কুমজা ১৯৯৪ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী গ্রূপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা অফ্রিকাগী লৈবাক কেমেরুনবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তনা টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবা অসি নত্তনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা লাক্লি।

রুশিয়াগী টিম অসিনা শান্নখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অহৌবা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদ্রি।

অমরোমদা সাউদি অরাবিয়াগী টিম্না ফিফা ৱার্ল্ড কপ ৪ রক শরুক য়ারকপদা মেটচ ১০ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি। মেটচ ১০ অসিগী মনুংদা মেটচ ৮ না মায়থিবা নংখি। অদুগা মেটচ ২না দ্রো চৎখিবনি।

সাউদি অরাবিয়ানা কুমজা ১৯৯৪ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী গ্রূপ মেটচতা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি।

সাউদি অরাবিয়াগী টিম অসিসু ফিফা ৱার্ল্ড কপকী শান্নখিবা অহানবা মেটচশিং অমত্তা মায় পাকপা ঙমদ্রি। সাউদি অরাবিয়ানা ৱার্ল্ড কপকী মেটচ ৯ শান্নখিবদা মেটচ ৮ মায়থিরগা মেটচ অমখক্তমক মায় পাক্লি।

পনবা য়াবদি রুশিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা কুমজা ১৯৯৩ দা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা সাউদি অরাবিয়ানা রুশিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

## এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৩ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মথং থাগী ১৭ তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলরশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ুএফআই) না এসিয়ান জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াননবগীদমক নুপাগী রেষ্টলর ১৯ গী মমিং ঙসি লাওথোকখিবনি।

ফ্রিষ্টাইল কেটেগোরিদাঃ– নভিন (কেজি ৫৭), সুরজ (কেজি ৬১), করন (৬৫), সচিন রাথি (৭০), সচিন গিরি (৭৯), দিপক পুনিয়া (৮৬), সোম্বির (৯২), নাসির হুসেন (৯৭) অমসুং মোহিট (১২৫) নি।

গ্রেকো রোমান ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদুদিঃ– বিজয় (কেজি ৫৫), সচিন রানা (৬০), মঞ্জিত (৬৩), মালকিট হুদা (৬৭), কুলদিপ মালিক (৭২), সাজন (৭৭), সঞ্জিত (৮২), সুনিল (৮৭), ভিরেস কুন্দু (৯৭) অমসুং অরিয়ান পনৱার (১৩০) নি।

## ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না এসিয়ান কপকী মাঙওইননা এসিয়াগী মকোক থোংবা লৈবাক ১০ গা শান্নবা মথৌ তারি ঃ কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না লাক্কদৌরিবা এসিয়ান কপ্তা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎননবা এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ১০ গা মখা তানা শান্নবা মথৌ তারি হায়না ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



*ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি*

মথং চহীদা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্ননবগীদমক এসিয়াগী মকোক থোংবা লৈবাক ১০ গা থা খরা অসিদা শান্নবা হায়বসি ওইথোক্ত্রি। মরমদি এসিয়াগী মকোক থোংবা টিম ৫ ওষ্ট্রেলিয়া, ইরান, সাউথ কোরিয়া, জপান অমসুং সাউদি অরাবিয়া থা অসিগী ১৪ দগী হৌগদৌরিবা রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক ৪ না শান্নদুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা হিরো কোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা কেনিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০১৯ দা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না য়ুম্বু লৈবাক য়ুএই, থাইলেন্দ অমসুং বহরেনগা গ্রূপ পুল্লিবনি।

টিমশিং অসিগা শান্নগদবা মতম খরা ৱাৎলিবা মরম্না ইন্দিয়াগী টিম্না ট্রেনিং মতিক চানা পাঙথোক্তুনা শান্নগদবা মেটচশিংদা মায় পাক্নবগীদমক হোৎনবা মথৌ তারি হায়না ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি হন্দক ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ইন্দিয়ানা চনখিবা অপুনবা পাঞ্জল ১১ গী মনুংদা ৮ চন্দুনা এক্তিভ প্লেয়র ফোর ইন্টরনেসনেল গোল স্কোররশিংগী মনুংদা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিগা মান্নদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা কপ অদুগী টাইটল ইন্দিয়ানা লৌখিবনি।

## য়ুএসএ, মেক্সিকো অমসুং কানাদানা কুমজা ২০২৬ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী জোইন্ট য়ুম্বু ওইখ্রে

*মোস্কো, জুন ১৩ঃ*

রুশিয়াগী কোনুং মোস্কোদা ঙসি পাঙথোকখিবা কুমজা ২০২৬ কী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইননবগী ভোট তৌনবদা য়ুএসএ, মেক্সিকো অমসুং কানাদানা জোইন্ট য়ুম্বু ওইখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা বিদ অদুদা নোর্থ অমেরিকানগী লৈবাক য়ুএসএ, মেক্সিকো অমসুং কানাদানা পুন্না ভোট মশীং ১৫০ ফংখি। অদুগা মোরোকোনা ভোট মশীং ৬৫ খক ফংখিবনি।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা জুন ১৪ দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক ৩২ দা লন্বা তৌনগনি। অদুমওইনমক কুমজা ২০২৬ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তদি লৈবাক ৪৮ না লন্বা তৌনগদৌরিবনি।



*ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী য়ুম্বু ওইনবগী ভোট তৌখিবদা শরুক য়াখিবা দেলিগেটশিং*

পনবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৪ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা য়ুএসএনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। অদুগা কুমজা ১৯৭০ অমসুং ১৯৮৬ তা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদুনা অনীরক ফিফা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকখ্রে। অদুবু কানাদাগী ওইনদি কুমজা ২০২৬ কী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইরিবা অসিনা নুপাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকীদি অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কুমজা ২০২৬ কী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী মেটচ ৮০ শান্নগদবা অসিগী মনুংদা য়ুএসএনা মেটচ ৬০ য়ুম্বু ওইরগনি। অদুগা কানাদা অমসুং মেক্সিকোনা মেটচ ১০ / ১০ গী য়ুম্বু ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইননবগী ফিফাগী অরিবা একজিক্যুটিভ কমিতিগী মেম্বরশিংনা ভোট তৌরগা রুশিয়াবু কুমজা ২০১৮ গী য়ুম্বু ওইননবগীদমক খনখি। অদুগা কাটারনা ২০২২ গী য়ুম্বু ওইননবগীদমক খনখি।